## আই এস আই এসকী হায় প্রোফাইল ২ হাৎখ্রে

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : কাবুল এয়রপোর্টতা আই এস আই এস লালহৌবশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিং সুসাইদ বোম্বিং এটেক চথুদুনা য়ু এস ক্রুপ ১৩ য়াওনা মীওই কয়া হাৎখ্রবা মতুং ঙরাং য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা অফঘানদা লৈবা আই এস আই এস গ্রুপকী হায় প্রোফাইল মীওই ২ দ্রোন ষ্ট্রাইক চথুদুনা হাৎখ্রে হায়রি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা কাবুল এয়রপোর্টতা খুৎলাই পায়বা লালহৌবশিংনা অমুক হন্না এটেক চথরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ। মরম অদুনা য়ু এস সিটিজনশিংনা য়ারিবমখৈ কাবুল এয়রপোর্ট থাদোক্তুনা অথুবা মতমদা চৎখিনবা হোৎনগদবনি।

শগোলশেন নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মান্নবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবা য়ু এস ফোর্সশিংনা টালিবানশিংগা পুল্লগা ঙাক শেনবগী থবক চথুরি। অদুমওইনমক ইন্টিলিজেন্স রিপোর্টকী মতুং ইন্না লালহৌলুপ অসিনা অমুক হন্না এয়রপোর্টতা এটেক চথনবা শেম শাদুনা লৈরি। পুং ২৪ দগী ৩৬ ফাওবগী মনুংদা আই এস আই এস গ্রুপনা কাবুল এয়রপোর্টতা এটেক চথরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না য়ু এস এজেন্সিশিংনা ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা কাবুল এয়রপোর্ট মনাক্তা থোকখিবা মীশি মীনা য়াওবা থৌদোক অদুগী মতুং য়ু এস সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা পেন্তাগোননা খঙহনখ্রে। করিগুম্বা মখা তানা আই এস আই এস খোরাসান গ্রুপনা এটেক অমুক হন্না চথরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম য়ু এসনা পীনবা শেম শাদুনা লৈ হায়রি। অমরোমদা য়ু এস মেজর জেনরেল হেঙ্ক টেলরনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং চথুখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অদুদা মীচম অমত্তা শোকহন্দনা আই এস আই এসকী হায় প্রোফাইল ২ হাৎখিবনি।

# য়েমেনগী মিলিটরি বেজদা হৌথি রেবেলশিংনা এটেক চথুদুনা লান্মী কয়া হাৎখ্রে



সানা, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : য়েমেনদা লৈবা সাওদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সকী মিলিটরি বেজ অমদা হৌথি রেবেলশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা এটেক চথুদুনা য়ামদ্রবদা লান্মী ৩০ হাৎখ্রে অদুগা ৬০ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না য়েমেন সাউর্দর্ন ফোর্সকী ৱাঙাঙলোয় মোহমদ অল-নকিবনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এটেক অদু ঙসি অয়ুক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা লাহিজ প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা অল-অনাদ মিলিটরি বেজদা টর্গেট তৌরগা চথরকখিবনি। হৌথি রেবেলশিংনা এটেক অদুদা আর্মদ দ্রোন অমদি বেলেষ্টিক মিসাইলশিং শীজিন্নদুনা এটেক অদু চথরকখিবনি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মিলিটি বেজ অদুদা লৈবা ট্রেনিং এরিয়া অমদা বেলিষ্টিক মিসাইল অমা তাশিল্লক্তুনা পোকখায়খি। মতম অদুদা লান্মী কয়া অয়ুক্কী এক্সরসাইজ তৌদুনা লৈখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লান্মী ৩০ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু মখা তানা অশিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি।

মিসাইল পোকখায়খ্রবা মতুং বেজ অদুদা লৈরম্বা লান্মীশিংনা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা অশোকপশিং পুথোরকপা মীয়াম্না উন্নখি। মিলিটরি বেজ অদুগী অকোয়বদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওই খরনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মিলিটরি বেজ অদুদা পোকখায়বগী অহৌবা খোঙ্জেল কয়া তাখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এটেক অদুগা মরী লৈননা হৌথি রেবেলশিংগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। য়েমেনদা হৌজিক লৈরিবা ইন্তরনেসনল কম্যুনিটিনা রিকগনাইজ তৌবা গভর্ণমেন্টকা ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংগা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী হৌরগা লেপ্পা লৈতনা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি।

কুমজা ২০১৫ দা সাওদি অরবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা থৌদোক অদুদা খুৎ থিংজিন্দুনা তংদু লৈতাবা লৈবাক অমা ওইরক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অদুমওইনমক ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিং হৌজিক লৈরিবা কোলিসন ফোর্স অসিনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি। অল-অনদ মিলিটরি বেজ কেম্প অসি য়েমেনগী অনীশুবা সিটি অদেনদগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমনি। কুমজা ২০১৯ দসু হায়রিবা কেম্প অসিদা হৌথি রেবেলশিংনা এটেক চথুদুনা মীওই ৬ হাৎপগী থৌদোক লৈখ্রে।

# রেবেলশিংনা দি আর কোঙ্গোদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া মৈ থাদুনা হাৎখ্রে

কিনশাসা, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী নোংপোক থংবা শরুক্তা উগনদান রেবেলশিংনা মীচম ১৯ মৈ থাদুনা হাৎখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



লোকেল ওফিসল কাকুলে কলাঙানা এ এফ পী ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙরাং অয়ুক অঙনবদা নোর্থ কিভুগী দেনি টেরিটোরি মনুং চন্না লৈবা কসানজি ভিলেজতা থোকখিবনি। অহানবগী ওইনা খুঙ্গং অদুদা মীওই ১৪ গী অশিবা হকচাং থেংনখিবনি। রেদ ক্রোস ৱার্করশিংনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা অকোয়বগী মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক চথুখি। মদুদসু খুঙ্গং অদুগী মনাক নক্লা লৈবা উমং অমদা মীওই ৫ গী মৈনা চাকখ্রবা হকচাং থেংনখিবনি।

বেনি টোরিটরিদা আই এস আই এল (আই এস আই এস) কা মরী লৈনবা এলাইদ দিমোক্রেটিক ফোর্সশিং লৈরি। দি আর কোঙ্গোগী প্রসিদেন্ট ফেলিক্স সিসেকেদিনা বেনিগী অকোয়বদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু রেবেল গ্রুপশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং ওৎ নৈবা অমদি হাৎনবগী থবক্তি অদুমক চথুরি।

মীওইশিং অদু মচিন তুম্বা মী শিহনবা য়াবা খুৎলাইশিংনা হান্না শোকহল্লবা মতুং য়ুম মনুংদা পুশিন্দুনা মৈ থারগা হাৎখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱেঙ্গোরিদা লৈরিবা ন্যু সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী ৱাঙাঙলোয় মেলেকি মুলালানা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা বেনিগী অকোয়বদা মিলিটরি পর্সনেলশিং অমত্তা লৈবা উখিদে। এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সিনা রিজ নেল মিলিটরিগা পাউ ফাওননবা হোৎনবদসু ঙমদ্রি।

হৌখিবা মে থাদগী হৌরগা নোর্থ কিবু অমসুং ইতুরি প্রোভিন্সতা রেবেল গ্রুপশিংনা কা হেন্না ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং চথরক্লিবা অদু থিংনবগীদমক্ত সিভিলিয়ন ওথোরিটিশিংগী মহুৎ মিলিটরি অমসুং পুলিস ওফিসরশিংনা শিন্দোকখ্রবনি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তসু য়ু এস স্পেসল ওপরেসন ফোর্সকী টিম অমা কোঙ্গোলিষ্ট আর্মী মতেং পাংনবগীদমক মফম অদুদা থুংলখ্রে।

অমরোমদা বি আর সীদা লৈরিবা য়ু এস এম্বেসেদর মাইক হেমরনা লৈবাক অদুদা থুংলখ্রিবা য়ু এস ক্রুপ মশীং পন্দ্রগসু অথুবা মতমদা কোঙ্গোলিষ্ট আর্মীগা পুল্লগা রেবেল গ্রুপশিং তকথোক্লবা হোৎনরগনি। লৈবাক অদুদা থারকখ্রবা য়ু এস ফোর্সশিং অদু মপুং ফানা ট্রেন তৌরবা ঙাক্তনি।

## মেলবোর্নদা লোকদাউনগী মতম অমুক হন্না শাংদোকখ্রে

মেলবোর্ন, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা অনীশুবা সিটি ওইরিবা মেলবোর্নদা কোরোনা ভাইরস লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীরকখ্রবা মতুং লায়চৎ অসিবু ঙাকথোক্লবগীদমক লৈঙাক্লা লোকদাউন থমজিন্দুনা হোৎনরবসু মখা তানা লায়চৎ অসি শন্দোরকপদগী মেলবোর্নদা লোকদাউনগী মতম অমুক শাংদোকখ্রে।

ইন্দিয়াদা ইহান হান্না মশক খঙবা ঙমখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা লৈবাক অসিদা অকনবা মওংদা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। অকোনবগী ওইনা লোকদাউনগী মতম শাংদোকখিবা অসিদা হান্না লৈরমদবা চৎনা কাঙলোন খরা হাপচিনখ্রে। হন্দক্কী লোকদাউন অসিদা নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ু থম্বা অমদি প্লে গ্রাউন্দশিং থিংজিনবগী ৱাফম য়াওরি। কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা মতম শাংনা লোকদাউন থমজিল্লকখিবা অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লোকদাউন থমজিল্লকপগী মায়োক্তা খোঙজংশিং চঙশিনবা লৈখ্রে। মরম অদুনা মেলবোর্নগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা আর্মীশিং দিপ্লোয় তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।

## ইথনিক রেবেল গ্রুপশিংনা টালিবান ফাইটরগী ৱাফম য়াখিদ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : টালিবান ফাইটরশিংনা পানসির প্রোভিন্সকী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা চঙশিনবা হৌখ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু ইথনিক রেবেল গ্রুপ অমদি রেজিষ্টেন্স ফোর্সশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা প্রোভিন্স অসিদা হৌজিমক্কী ওইনদি টালিবান ফাইটরশিং চঙশিল্লকপা লৈত্রি হায়রি।

অহমদ মসুদকী সপোর্টরশিংনা টালিবান ফাইটরশিংনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা প্রোভিন্স অসিদা টালিবান ফাইটরশিংগা রেজিষ্টেন্স ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকখিবসু লৈত্রি।

অমরোমদা টালিবাননদি পনসির প্রোভিন্সতা মখোয়গী ফোর্সশিং চঙশিনবা হৌখ্রে অমদি অতেনবা মতমগী মনুংদা প্রোভিন্স অদুসু মখোয়না খুদুম চনশিনবা ঙল্লগনি হায়না ঙল্লিঁঙৈদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। পনবা য়াবদি অহমদ মসুদা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা লৈরম্বা অফঘানগী ওইনা মমিং লৈরবা কম্মান্দর অহমদ সাহ মসুদকী মচানুপানি।

## টুরিষ্টশিংদা ভিজা পীবা হৌরগনি : য়ু এ ঈ

দুবাই, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী ওইনা য়ুনাইটেদ অরবস ইমিরেটনা ভিজা পীবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। দুবাইদা পাঙথোক্তদৌরিবা এক্সপো ২০২০ ট্রেদ ফ্যেরগী মাংওইননা য়ু এ ঈনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ভিজা পীবগী থবক নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌরগনি হায়রি।

য়ু এ ঈদা কোরোনা ভাইরস লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হন্থরকখ্রবা মতুং টুরিষ্টশিংদা ভিজা পীনবা ফিরেপ লৌখিবনি। মমাং চয়োলদগী হৌরগা য়ু এ ঈদা নোংমগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শোকহল্লবা মী মশীং লীশিং য়ৌখিদ্রে। লৈবাক অদুগী শোন্থহৌরবা ইকনমিগী ফীভম য়েংলগা অমদি টুরিষ্টশিংগীদমক খল্লগা ভিজা পীনবা মরী লৈনবশিংনা ফিরেপ লৌখ্রবসু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপত্রিবশিংগী ওইনদি ভিজা পীবগী ৱাফম লৈতে।

অমরোমদা টুরিষ্ট অমনা মহাক মশা কোভিদ-১৯ ফুল দোজ কাপ্পগী চে চাং উৎলবসু য়ু এ ঈ য়ৌরকপা মতমদা পী সী আর টেষ্ট এয়রপোর্টতা শুংশোয় শোয়দনা তৌহনগনি হায়না মরী লৈনবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 216,713,889 | +544,985 | 4,506,875 | +8,735 | 193,636,484 | 18,570,530 |
| 1 | USA | 39,617,417 | +72,785 | 654,381 | +648 | 30,812,242 | 8,150,794 |
| 2 | India | 32,694,188 | +45,058 | 437,860 | +457 | 31,881,128 | 375,200 |
| 3 | Brazil | 20,728,605 | +24,699 | 579,052 | +656 | 19,646,400 | 503,153 |
| 4 | Russia | 6,863,541 | +19,492 | 180,840 | +799 | 6,131,446 | 551,255 |
| 5 | France | 6,728,858 | +17,590 | 114,157 | +74 | 6,191,075 | 423,626 |
| 6 | UK | 6,698,486 | +32,406 | 132,376 | +133 | 5,337,919 | 1,228,191 |
| 7 | Turkey | 6,329,549 | +17,912 | 55,958 | +245 | 5,798,314 | 475,277 |
| 8 | Argentina | 5,171,458 | +3,725 | 111,324 | +54 | 4,854,329 | 205,805 |
| 9 | Colombia | 4,903,304 | +2,141 | 124,743 | +95 | 4,734,162 | 44,399 |
| 10 | Iran | 4,895,448 | +26,034 | 105,901 | +614 | 4,117,098 | 672,449 |
| 11 | Spain | 4,831,809 | | 84,000 | | 4,258,193 | 489,616 |
| 12 | Italy | 4,524,292 | +6,860 | 129,056 | +54 | 4,255,808 | 139,428 |
| 13 | Indonesia | 4,066,404 | +10,050 | 131,372 | +591 | 3,707,850 | 227,182 |
| 14 | Germany | 3,933,569 | +8,589 | 92,631 | +11 | 3,723,200 | 117,738 |
| 15 | Mexico | 3,311,317 | +19,556 | 257,150 | +863 | 2,639,903 | 414,264 |
| 16 | Poland | 2,888,027 | +289 | 75,340 | +5 | 2,656,708 | 155,979 |
| 17 | South Africa | 2,757,191 | +10,173 | 81,461 | +274 | 2,519,781 | 155,949 |
| 18 | Ukraine | 2,282,285 | +2,082 | 53,686 | +54 | 2,205,707 | 22,892 |
| 19 | Peru | 2,148,419 | +1,134 | 198,167 | +52 | N/A | N/A |
| 20 | Philippines | 1,935,495 | +19,236 | 33,008 | +167 | 1,759,771 | 142,716 |
| 21 | Netherlands | 1,934,283 | +2,450 | 17,994 | +9 | 1,841,214 | 75,075 |
| 22 | Iraq | 1,868,352 | +5,369 | 20,632 | +73 | 1,711,405 | 136,315 |
| 23 | Malaysia | 1,685,510 | +22,597 | 15,802 | +252 | 1,401,160 | 268,548 |
| 24 | Czechia | 1,678,730 | +183 | 30,401 | +1 | 1,646,368 | 1,961 |
| 25 | Chile | 1,637,234 | +607 | 36,841 | +34 | 1,593,985 | 6,408 |
| 26 | Bangladesh | 1,489,589 | +3,436 | 25,926 | +80 | 1,409,231 | 54,432 |
| 27 | Canada | 1,488,236 | +1,799 | 26,898 | +8 | 1,432,355 | 28,983 |
| 28 | Japan | 1,411,622 | +24,379 | 15,851 | +54 | 1,153,846 | 241,925 |
| 29 | Belgium | 1,177,909 | +2,334 | 25,360 | +6 | 1,093,676 | 58,873 |
| 30 | Thailand | 1,157,555 | +17,984 | 10,879 | +292 | 964,319 | 182,357 |
| 31 | Pakistan | 1,148,572 | +4,231 | 25,535 | +120 | 1,029,930 | 93,107 |
| 32 | Sweden | 1,123,413 | | 14,644 | | 1,085,412 | 23,357 |
| 33 | Romania | 1,095,885 | +1,015 | 34,509 | +19 | 1,053,974 | 7,402 |
| 34 | Israel | 1,046,696 | +12,073 | 6,950 | +3 | 957,045 | 82,701 |
| 35 | Portugal | 1,033,165 | +2,374 | 17,711 | +8 | 970,497 | 44,957 |
| 36 | Morocco | 849,532 | +6,175 | 12,361 | +93 | 773,619 | 63,552 |
| 37 | Hungary | 811,706 | | 30,057 | | 775,286 | 6,363 |
| 38 | Jordan | 794,350 | +381 | 10,368 | +10 | 771,842 | 12,140 |
| 39 | Kazakhstan | 773,934 | +6,233 | 8,983 | +104 | 656,887 | 108,064 |
| 40 | Switzerland | 770,758 | | 10,967 | +2 | 705,104 | 54,687 |
| 41 | Nepal | 758,008 | +1,516 | 10,690 | +27 | 710,452 | 36,866 |
| 42 | Serbia | 755,895 | +2,314 | 7,257 | +9 | 719,206 | 29,432 |
| 43 | UAE | 715,394 | +998 | 2,036 | +1 | 700,548 | 12,810 |
| 44 | Austria | 684,541 | +1,322 | 10,777 | +1 | 659,053 | 14,711 |
| 45 | Tunisia | 658,322 | +3,524 | 23,182 | +152 | 607,318 | 27,822 |
| 46 | Cuba | 634,161 | +6,850 | 5,067 | +83 | 587,514 | 41,580 |
| 47 | Lebanon | 599,298 | +1,320 | 8,040 | +5 | 551,433 | 39,825 |
| 48 | Greece | 579,734 | +3,062 | 13,544 | +35 | 526,034 | 40,156 |
| 49 | Saudi Arabia | 543,796 | +234 | 8,526 | +6 | 531,733 | 3,537 |
| 50 | Georgia | 540,449 | +4,247 | 7,175 | +74 | 476,555 | 56,719 |

## হরিকেন ইদানা য়ু এসতা অকনবা চৈথেং পীরবা য়ানা লৈ



ন্যু ওর্লিন, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : কেটিগোরি ৪গী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ হরিকেন ইদানা য়ু এসতা মরু ওইনা ন্যু ওর্লিনদা অকনবা চৈথেং পীরবা য়ানা লৈ হায়না য়ু এস নেসনল হরিকেন সেন্তরনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

সেন্তর অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হরিকেন ইদাগী মপাঙ্গল অসি কনবা হেনগৎলক্লি। পুংদা কিলোমিটর ২০৯ য়াঙনা শিৎপা অকনবা নুংশিৎকা লোয়ননা ন্যু ওর্লিন তম্না পাইশিল্লক্লি। চহী ১৬ কী মমাংদসু অকনবা হরিকেন অমনা মরম ওইরগা ন্যু ওর্লিনগী শরুক চাদা ৮০ ঈশিংনা থুমহনখিবগা লোয়ননা মীওই ১,৮০০ শিহনখি। মদুদা নত্তনা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়াগী ওইগদবা মাল চাংসু অমাঙ অতা থোকহনখি।

ন্যু ওর্লিন তম্না খোঙজেল য়াঙনা পাইশিল্লক্লিবা হরিকেন ইদানা মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিং খুদোংথিবা থোকহন্দ্রিঙৈদা শাফগদবা মফমশিংদা চত্তুনা লৈনবা নৎত্রগনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহনবা ঙল্লোইদবা মফমশিংদা লৈনবা সেন্তর অসিনা অকনবা মওংদা ৱার্নিং তৌরক্লি। য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনসু ন্যু ওর্লিন তম্না পাইশিল্লক্লিবা হরিকেন অসি কেটোগোরি ৪ ওইবা মরম্না মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং পীরবা য়াবগী অকিবা লৈ। মরমদুনা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা ন্যু ওর্লিন এয়রপোর্টকী ফ্লাই সার্ভিশিংসু মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

## কাবুলদগী পুথোরক্কদবা অমেরিকান সিটিজন ৩০০ খক্তা ঙাইরে

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা থা অসিগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা অফঘানদা লৈরিবা য়ু এস সিটিজনশিং অমদি ক্রুপশিং মপুং ফানা পুথোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রবা মতুং হৌজিমক্কী ওইনা য়ু এস ক্রুপশিংনা লৈবাক অদুদগী পুথোরক্কদবা অমেরিকানশিং শুপ্নগী ৩০০ খক্তা ঙাইরে হায়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকননা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক লৈহৌরিবা মীওই ৩০০ অদুসু জো বাইদেননা লেপখিবা মতমগী মমাংদা পুথোরক্লবা কাবুল এয়রপোর্টতা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনরি। অনৌবা প্লেন অমা থৌরাং তৌদুনা অমেরিকানশিং অদুবু নুমিৎ নীনিগী মনুংদা কাবুলদগী শুংশোয় শোয়দনা পুথোরক্লগনি। টালিবাননা লৈবাক অদুগী কোনুং কাবুল কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবগী ওইনা অমেরিকান ৫,৫০০ পুথোরকখ্রে অমদি মালেমগী লৈবাকশিংগী অপুনবা ওইনা পুন্না মীওই ১,১৪,০০০ পুথোরকখ্রে হায়না এন্তোনি ব্লিনকননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ঙমখৈগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ইজরেল এয়রফোর্সনা গাজাদা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে

জেরুসালম, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : গাজাদা ঙমখৈগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা কা হেন্না উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং ইজরেল এয়রফোর্সনা গাজাগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা টর্গেট তৌরগা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথখ্রে হায়না আর্মীনা ফোঙদোরক্লি।

আর্মীগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা ইজরেলি ফাইটর জেটশিংনা হমাজ গ্রুপনা শীজিন্নবা খুৎশু খুৎলাই শাফম অমদি ট্রেনিং তৌফম মফম অমদা টর্গেট তৌরগা এটেক অদু চথখিবনি। হমাজ গ্রুপনা ইজরেলগী খা থংবা শরুক্তা ফায়র বেলুন কয়া পাইশিনহল্লক্তুনা মহৈ মরোং থাবা মফম কয়া মাঙহন তাকহনবগী থৌদোক চথরকখ্রবা মতুং এয়রষ্ট্রাইক অদু চথখিবনি।

হমাজ গ্রুপশিংনা ইজরেলদা লৈরিবা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংদা টর্গেট তৌদুনা য়াম্না তোয়না এটেকশিং চথুরি হায়না ইজরেল মিলিটরিনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা গাজাদগী গ্রুপ অদুবু তকথোক্লবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়রি। অমরোমদা ইজরেলনা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অশি অনা নৎত্রগা অশোক অপন থোকহনবগী পাউ লৈত্রি।


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**Office of the Principal, D.M. College of Arts, Imphal**
**Dhanamanjuri University, Manipur**

**ꯆꯪꯁꯤꯟ / ADMISSION NOTICE**

29th August, 2021

No.16/2/Cmt/2018 – DMCA : In continuation of earlier notification dated 14th August, 2021 and with reference to DMU Notification No. 2/1/2018, DMU, dated 6th August, 2021 pertaining to invitation of online application in prescribed form for admission into 3 Years Bachelor Degree Programme (CBCS) of B.A. (Honours and Regular/Pass) for the academic session 2021-22, it is notified for general information to some of the candidates to read and follow the following instructions falling which the candidatures for selection for admission shall stand cancelled :

1. Some of the applicants while filling in the online admission form have entered their subject wise marks secured in the 10+2 Examination in Grading system as A1, B1, C1, D1 etc. Such applicants are informed to make the necessary correction by entering the marks secrured in each subject in numerical form in the space meant for it.
2. Marks secured in each subject and total marks of the subject should be filled-in in the relevant space provided in the admission form without fail.
3. A sample of how to fill in the marks secured in each subject and total marks of the subject in the admission form is available at the college website: https://dmcarts.ac.in for ready reference.
4. All the above mentioned corrections/update of information should be accomplished in online mode on or before August, 31, 2021 (till 3.00 pm) by entering/logging into website: https://online.dmcarts.ac.in
5. Those candidates who have not made the online payment of registration fee (Rs. 100/-) should make the payment of the same.
6. The website to make the necessary correction/update of information shall be opened from 10.00 am of August, 30, 2021.
7. Any complain that comes after the last date shall be not be entertained.

Sd/- **Dr. Ch. Sheelaramani**
Principal
D M College of Arts, Imphal

HL-P/9890/30



**HHG Academy**

Sangaiprou , Ghari Mamang Leikai (Affiliation to COHSEM)

Just Rs. 3000/- to admit

**ADMISSION OPEN CLASS XI Science 2021-22**

Just Rs. 3000/- to admit

Achievement: Striking 100% pass, many letter mark holders in the year 2018, 19, 20 and 2021.

**FACILITIES:**
i) No monthly tuition fee & Lowest course fee in the state.
ii) Reservation for children of single parent and marginalized family.
iii) Free school uniform + free school bag + free text book + free exercise book.
iv) Separate Hostel for Boys and Girls.

For offline admission : School office with SOP For online admission : www.hhgacademy.com
Contact number: 9862445909 (Sir Nelson) / 9774571821 (Sir Jotin) / 9774269528 (Sir Ratan) / 6009861409 (Sir N I)

HL-B/7062/13-20